# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 18-09-2024)**

**পুলিস(এল)ঃ** জিরিবাম জিলাগী মোংবুং ভিলেজতা শারন্বা বঙ্কর অমা ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা থুগায়খ্রে।

মনিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-মনিপুরগী চিং অমসুং তমগা তায়নবা মফমশিং অমদি ইরাং থোক্কনবা মফমশিংদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুন্দবগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি। ঙরাং জিরিবাম জিলাগী মোংবুং ভিলেজতা চত্থখিবা ওপরেসনদা শারন্বা বঙ্কর অমা থুগায়খ্রে।

অমরোমদা, চান্দেল জিলাগী গুনজিল অমদি বোদর পিল্লর ৪৮-৪৯ গী লোন্নবদা লৈবা মফম অমদগী হেন্দ গ্রেনেদ অমা, পিষ্টোল অমা, গ্রেনেদ ইগনিটর অমা, লোকেল মেদ মোটার অহুম, লাইফ ইন্ম্যুনিসন রাউন্দ মরি অমদি বুল্লেট প্রুব জেকেট খরা য়াওনা খুৎশু খুৎলায়শিং ফাগৎখি। লোয়ননা, ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী চনুং অমদি সি-জোলেন ভিলেজতগীসু পোম্পী অমা, লোকেল মেদ সিঙ্গল বেরেল অমা, এস.এল.আর. মেগজিন অমা, লাইফ ইন্ম্যুনিসন রাউন্দ ২১, রেদিও সেট য়াওনা খুৎশু খুৎলায়শিং ফাগৎপা ঙমখি।

চেরোল অদুনা মখা তানা হায়-হোম এফিয়ার্স মন্ত্রালয়গী মীৎয়েং মখাদা সি.এ.পি.এফকা খুৎশমদুনা মনিপুর পুলিসনা কেন্দ্র পুলিস কল্যা বন্দরগী আউটলেটশিং ইম্ফাল ৱেষ্ট, জিরিবাম, থৌবাল, বিষ্ণুপুর, সেনাপতি, কাংপোকপী, চুরাচান্দপুর, ককচিং, ইম্ফাল ইষ্ট, তেংনৌপল, চান্দেল অমদি উখ্রুল জিলাশিংদা হাংদোকখ্রে।

অমরোমদা, নেসনেল হায়ৱে নম্বর টু-ইম্ফাল দিমাপুর লম্বীদা পোৎ চৈ পুবা গাড়ি ২২৮ অমদি নেসনেল হায়ৱে নম্বর ৩৭, ইম্ফাল জিরিবাম লম্বীদা পোৎ-চৈ পুবা গাড়ি ১৪২ সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা ইম্ফাল তমা চংল্লকখ্রে।

**কার্ফিয়ু (এল)ঃ** মনিপুর তম্পাক্কী জিলাশিং- ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, থৌবাল অমসুং বিষ্ণুপুরদা ঙসিগী ওইনা অয়ুক পুং ৫ দগী নুমিদাং পুং ৮ ফাওবা কার্ফিয়ু কোমথোক্লি। মসিগী মতাংদা মরি লৈনবা দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটশিংনা চেরোল অমা থোকখ্রে।

**স্বাচতা (এল)ঃ** তমেংলোং জিলাগী দি.সি. ওফিস কম্পাউন্দা লৈবা মিণি সেক্রেটরিয়েটতা ঙরাং স্বাচতা হি-সেভাগী কেম্পেইন হৌদোকখ্রে। কেম্পেইন অদু জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-ডা: এল. অংশিম দংশাৱানা হৌদোকখি। থৌরম অদুদা জিলা অসিগী এ.দি.সি, চীফ ইগজকিটিব ওফিসার অমদি সি.আর.পি.এফকী এসিষ্টটেন্দ কম্মান্দরনচিংবা শরুক য়াখি।

ইন্সটিট্যুট ওফ বাইও রিছোর্সেস এন্দ সসটেনেবল দিবলপমেন্ট (আই.বি.এস.দি) ইম্ফালনসু ঙরাং স্বাচতা হি সেভা ২০২৪ হৌদোকখি। কেম্পেইন অদু আই.বি.এস.দিগী দাইরেক্তর-প্রোফেসার পুলোক কে. মুখর্জিগী মীৎয়েং মখাদা হৌদোকখিবনি।

অসাম রাইফলসনসু তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা স্বার্চতা হি সেভা কেম্পেইনগী শরুক অমা ওইনা লু-নানবগী কেম্পেইন চথখি।

**সেল (এল)ঃ** মনিপুর সরকারনা মীয়ামদা তঙাইফদবা পোৎলমশিং অহোংবা মমলদা ফংহন্নবগী পান্দমদা মোবাইল সেল য়ুনিট ১৯ হাংদোকখ্রে।

দি.আই.পি.আরনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-হন্দক খঙহৌদনা মনিপুরদা পোৎ-চৈগী মমল কা হেন্না ৱাংখৎলক্লিবা অদুগী য়েংলগা কঞ্জুমর এফিয়ার্স ফুদ এন্দ পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন বিভাগকী খুত্থাংদা সরকারনা মীয়ামদা অহোংবা মমলদা পোৎ-চৈ ফংহন্নবা খোঙথাং অসি লৌখৎলকপনি। মীয়ামদা ফংহনগদৌরিবা পোৎলমশিংগী মনুংদা-আলু, তিলহৌ, হৱাই, অচাথাউ, থুম

অমদি চেং য়াওরি। হায়রিবা য়ুনিটশিং অসি থা অসিগী ১৫ দগী হৌরগা খ্বাইরম্বক দ কৈথেল, ক্বকৈথেল, লমফেল সনা কৈথেল, লমলোং, লমলাই, কোংবা, কুম্বী, মোইরাং, নিংথৌখোং, বিষ্ণুপুর, নম্বোল, ককচিং, ৱাবগাই, সুগ্নু ৱাইখোং, থৌবাল, য়াইরিপোক অমদি লিলোং লোয়ননা জিরিবাম অমদি চুরাচান্দপুর জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটরসতা লৈবা কৈথেলশিংদা ফংহনগনি হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়-সেনাপতি, কাংপোকপী, নোনে, তেংনৌপল, তমেংলোং, উখ্রুল অমদি কামজোং জিলাগী ওইনসু ঙসিদগী হৌদুনা মোবাইল য়ুনিট তরেৎ হাংদোক্লগনি।

**এৱার্ড (এল)ঃ** চহি অমা চুপা চথুরকপা মনিপুর য়ুথস কলচরেল ওর্গনাইজেসনগী সিলভর জুব্লি থৌরম থা অসিগী ২৯ দা লোয়শিল্লগনি। লোয়শিনবগী থৌরমদা লৌবুকতোংবম শ্যামদেব (শ্যামো) এৱার্ড-২০২৪ য়েন্থোক্কনি।

মনা অসি চহি অসিগী ওইনা ক্ষেত্রিময়ুম রন্ধোনি দেবী অমদি লোইতোংবম ব্রজামোহোনদা পীরগনি।

**ইলেক্সন ঃ** জম্মু কাশ্মির বিধান সভাগী অহানবা তাঙ্কক্কী মীখলগী ভোট হৌজিক ঙাইহাক্কী মতুংদা থাদনবা হৌখ্রে। তাঙ্কক অসিদা জিলা তরেৎকী বিধান সভা কেন্দ্র ২৪ দা ভোট থাদনগনি। ভোট থাদনগদৌরিবা জিলাশিং অদুদি-দোদা, কিস্তৱার, রমবান, অনন্দতানাগ, পুলৱামা, কুলগাম অমসুং সোফিয়াননি।

অনিশুবা তাঙ্কক্কী ভোটনা থা অসিগী ২৫ দা অদুগা অহুমশুবা তাঙ্কক্কীনা মথং থাগী অমদা ভোট থাদনগনি। ভোট মশিং মথং থাগী ৮ দা পুন্না থিগনি। জম্মু কাশ্মিরদা জেনরেলগী সিট ৭৪, সেদ্যুল কাষ্টকী ৭ অমসুং সেদ্যুল ট্রাইবকী ৯ য়াওনা পুন্না বিধান সভা কেন্দ্র ৯০ লৈ।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি, নুমিৎ হুমনিগী আমেরিকা খোঙচৎা থা অসিগী ২১ দগী হৌরগনি। মহাক্কী খোঙচৎ অদুদা ৱিলমিংটনদা পাঙথোক্কদবা মরিশুবা ক্বাট লিদরস মীফমদা শরুক য়াগনি।

মপান থৌরম মন্ত্রালয়না থোকপা চেরোল অমদা হায়-খোঙচৎ অদুগী শরুক অমা ওইনা থা অসিগী ২৩ দা ন্যু য়োর্ককী য়ুনাইটেদ নেসন্স জেনরেল এসেমব্লি সমিট ওফ দা ফ্যুচরদা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি ৱা ঙাংগনি। মসিগী মমাংদা, ন্যু য়োর্কতা লৈরিবা ভারত মচাশিংগসু উন্নগনি অমসুং ৱাফম কয়া ফোংদোক্কনি। লোয়ননা আমেরিকাদা বেজ তৌবা কম্পানিশিংগী সি.ই.ওশিংগসু উন্নদুনা লৈবাক অনিনা অমগা অমগা মতেং পাংনবগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নগনি।

পনবা য়াই, আমেরিকানা হায়জরকপদগী ক্বাট মীফম ভারতনা য়ুম্বু ওইদুনা মথং চহি পাঙথোক্কনি।

**ভিজিটঃ** রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমু, নুমিৎ হুমনিগী খোঙচৎতা রাজস্থান, মধ্য প্রদেস অমসুং ঝরখন্দদা চৎকনি।

মহাক্কী খোঙচৎ অদুদা মালাভিয়া নেসনেল ইন্সটিট্যুট ওফ টেকোলোজি জয়পুরগী কনভোকেসনদা শরুক য়াগনি। মদুদা অরাবালি হোষ্টেলসু শঙ্গাগনি। থৌরম অদুদা রাজস্থানগী রাজ্যপাল অমদি মুখ্য মন্ত্রিসু শরুক য়াগনি।

তুংদা, রাস্ত্রপতিনা হয়েং মধ্য প্রদেসতা পাঙথোক্কদবা সফাই মিত্রা সমেলনদা শরুক য়াগনি অমদি উজেন সিক্স লেন্দ রোড প্রোজেক্টকী যাত্রা হুনগনি অমদি ইন্দোরগী দেবী অহিলিয়া য়ুনিভরসিতিগী ১৪ শুবা কনভোকেসনদসু শরুক য়াগনি।

রাস্ত্রপতিনা ইরাই নুমিৎতা ঝরখন্দগী আই.সি.এ.আর. নেসনেল ইন্সটিট্যুট ওফ সেকেন্দরি এগ্রীকলচর-রাঞ্চিগী সেন্টিনারি সেলেব্রেসনদা ৱা ঙাংগনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

মনিপুরগী ইরাং লোয়শিনবগী মতাংদা য়ুনিয়ন হোম মিনিস্তর-অমিত সাহনা ফোংদোকখিবা ৱাফমশিং, স্ৱার্চতা হি-সেভা কেম্পেইন হৌদোকখিবা পাউ অমদি মহৈরোইশিংদা এদুকেসন মিনিস্তরনা থমখিবা ৱাফশিংনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংদা মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোংনরি।

পোকফমদা-মৈতৈসু কুকিসু ৱারী শান্নরি। তুং কোইনা শান্তি পুরকবা রোড মেপ শেমদুনা থবক পায়খৎলে হায়বা য়ুনিয়ন হোম মিনিস্তর-অমিত সাহগী ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি। হেদলাইন অসিগী মখাদা শান্তি ওইরে হায়রবদি করিগী প্রাইম মিনিস্তর ষ্টেট অসিদা চৎত্রিবনো হায়বা কংগ্রেসকী ৱাফম অমসু ফোংলি।

সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনদা-শান্না চৎপা রোকেটশিং শিজিন্নে হায়বা কমিতিগী ৱাফম অহানবা লামাইদা ফোংলি।

সনা লৈবাক্তা-মনিপুরদা ফগৎলিবা খুৎলায় চাদা ৩০ দি পুলিসতা লৈতবা অফবা মখলগী খুৎলায়নি হায়বা ওফিসিএল রিপোর্ট অমগী পাউ অহানবা লামাইদা ফোংলি।

মনিপুর ন্যুজতা-এ.আরগী ৯ শুবা বটালিয়ন হোংবা লোয়খ্রে, ২২ শুবা এ.আর. সেপ্তেম্বর ২০ দগী সি.আর.পি.এফনা মহুৎ শিল্লগনি। কিলোমিটর ৩০ বোডর ফেন্সিং খাবা লোয়রে, মনিপুরদা শান্তি পুরকবা রোড মেপ শেম্বা লোয়রে। সি.এম. বিরেন রিজাইন তৌবগী ৱাফম লৈতে হায়বা অমিত সাহগী ৱাফম অহানবা লামাইদা ফোংলি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা-লৈঙাকা লোন শিংবগী মতম চহি অমা শাংদোক্লবসু বেঙ্কশিংনা মৱা লৌরমদবগী ফিভম লৈরে হায়বা মীতৈ ত্রাইব য়ুনিয়নগী ৱাফম অহানবা লামাইদা ফোংলি।

নহারোলগী থৌদাংদা-মহৈরোইশিংনা ক্লাস রুমদা নীংথিনা মহৈ তম্বীয়ু,

মরম চাদবা রেল্লিদা য়াওশিনবীগনু হায়বা এদুকেসন মিনিস্তর-বসন্তকুমারগী ৱাফম অহানবা লামাইদা ফোংলি।

ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা-রাসিয়াদা পাঙথোকপা ২০ শুবা কারন ইন্টরনেসনেল ফিল্ম ফেষ্টিবেলদা মনিপুরগী জোসেপ সননা স্পিসিএল জ্রি মেন্সন ফংল্লক্লে হায়বা পাউ অসি অহানবা লামাইদা ফোংলি।

হুইয়েন লানপাউদা-জিরিবামগী লানফম দ্রোন মখল অহুম পাইহল্লকপা নুমিৎ মঙানি শুরকপদা অকনবা লান চত্থরকখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মনিপুর মেলদা-মিনিস্তর খাশিম ভশুমগীদা চত্থরকখিবা এটেক য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সিলনা কন্দেম তৌখ্রে হায়না ফোংলি।

সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনদা-শান্না কাপ্পা য়াবা রোকেট মনিপুরদা শিজিন্নরকপা অসিগী মতাংদা থিজিন্নবা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফিয়ার্সনা কমিতি অমা শেমখ্রে হায়না অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

পিপলস ক্রোনিকলদা-চীফ মিনিস্তরনা স্বার্চতা হি সেভা ২০২৪ লোঞ্চ তৌখ্রে হায়না ফোংলি।

হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসতা-নাগালেন্দগী মোন দিষ্ট্রিক্টতা থোকখিবা মীওই ১৩ লৈখিদবা থৌদোক্কী মতাংদা সুপ্রিম কোর্টনা আর্মিগী মথক্তা লৈরম্বা ক্রিমিনেল কেস কেন্সেল তৌখ্রে হায়না ফোংলি।

গানফিয়ু মেলদা-দিপ্যুতি কম্মিস্নার তমেংলোংনা স্বার্চতা হি-সেভা মেগা কেম্পেইন হৌদোকখ্র হায়না ফোংলি।

তমেংলোং টাইমসতা-ওক্সপোর্ট য়ুনিভরসিতিগী এলমনস হৌজিকা পি.ডব্লিয়ু.দি. মিনিস্তর ওইরিবা আতিসিনা দিল্লিগী অনৌবা চীফ মিনিস্তর ওরগনি হায়না ফোংলি।